# ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ : জর্মনি, ফ্রান্স, স্পেন অমদি ব্রাজিলনচিংবা লৈবাকশিংগী শান্নরোয় খনবা লোইখ্রে






মোস্কো, জুন ০৮ (এজেন্সী) ঃ জুন ১৪দগী হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা লৈবাক পূম্নমক্কী শান্নরোয়শিং খনবা লোইখিবগা লোয়ননা করম করম্বা গ্রুপ্তা শান্নগদগে হায়বদুসু লাউথোকখ্রে।

গ্রুপ এদা শান্নগদবা টিমশিংদি ইজিপ্ট, রসিয়া, সাউদি অরাবিয়া অমসুং উরুগ্বেনি। গ্রুপ বিদা ইরান, মোরোকো অমসুং পোর্টুগল শান্নগনি। গ্রুপ সীদনা ওষ্ট্রেলিয়া, দেনমার্ক, ফ্রান্স অমসুং পেরুনি। গ্রপ দিদা য়াওরিবা লৈবাকশিং অদুদি অর্জেন্টিনা, ক্রোএসিয়া, আইসলেন্দ অমসুং নাইজেরিয়ানি। গ্রুপ ঈদনা ব্রাজিল, সর্বিয়া অমসুং স্বিটজরলেন্দ য়াওরি।

গ্রুপ ঈদা য়াওরিবা টিমশিংদি জর্মনি, মেক্সিকো, সাউথ অফ্রিকা অমসুং স্বিদেননি। গ্রুপ জিদনা বেলজিয়ম, ইংলেন্দ, পানামা অমসুং টুনিসিয়া য়াওরি। গ্রুপ ঐচতা কলম্বিয়া, জপান অমসুং পোলেন্দ য়াওরি।

ইজিপ্টকী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি গোলকিপরদা ইশাম এল হদারি, মহম্মদ এল-সেনাওরি অমসুং সেরিফ এক্রামিনি। দিফেন্দরদা অহম্মদ ফাথি, সাদ সমির, এমান অশরফ, মহম্মদ হমদি, মহম্মদ অবদেল-সাফি, অহম্মদ হেগাজি, অলি গাবর, অহম্মদ এল মহমদি অমসুং ওমার গাবরনি।

মিদফিল্ডর ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংদি টারেখ হমিদ, সিকাবলা, অবদুলা সাইদ, মহম্মদ এলনেনি, মহম্মদ কাহরবা, রামাদান সোভি, মহম্মদ হসন অমসুং অমর ৱারদানি। ফোরৱার্দতা শান্নগদবা শান্নরোয়শিংদি মরৱান মোহসেন অমসুং মহম্মদ সলাহনি।

রসিয়াগী টিমদা গোলকিপর ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি ইগোর, অকিনফিভ, ভ্লাদিমির কাবুলো অমসুং এন্দ্রি লুনেবনি। দিফেন্দর ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি ভ্লাদিমির গ্রানাট, ফেদোর কুদ্রিয়াসোভ, ইলিয়া কুটেপোভ, এন্দ্রি সেমিনো, সর্গি ইগাসেদ্রিক, মারিও ফর্ণান্দেজ অমসুং ইগোর স্মোলনিকোবনি। মিদফিল্ডর ওইনা য়ুরি গাজিনস্কি, আলেকজেন্দর গোলোবিন, অলাম জাগোব, আলেকজেন্দর ইরোথিন, য়ুরি মিরানচুক অমসুং দেনিস চেরিসেভ খল্লে। ফোরৱার্দ ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি অর্টেম জ্যুবা, অলেক্সি মিরানচুক অমসুং ফেদর স্মোলোভনি।

সাউদি অরাবিয়াগী টিমদা গোল কিপর ওইনা খল্লবশিংদি মহম্মদ অল ওৱাইজ, য়াসর অল মোসাইলেম অমসুং অবদুলা অল ময়োফনি। মন্সুর অল হার্বি, য়াসর অল সাহারানি, মহম্মদ অল ব্রিক, মোটাজ হোসাৱি, ওসামা হোসাৱি, ওমর হোসাৱি অমসুং অলি অল বুলাহিবু দিফেন্দর ওইনা খনখিবা লোয়ননা অবদুলা অল খাইবারি, অবদুল মালিক অল খাইব্রি, অবদুলা পোটে, টাইসির অল জাসিম, হুসেন অল মোগাৱি, সলমান অল ফরজ, মহম্মদ কাণ্ডো, হটন বাহেগুরি, সলেম অল দাওসারি, য়াহায়া অল সেহরি অমদি ফহাদ অল মুৱালাদপু মিদ ফিল্ডর ওইনা খল্লে। ফোরৱার্দতা মহম্মদ অল সালাৱি অমসুং মহম্মদ অশিরি খল্লে হায়রি।

উরুগ্বেগী খল্লবা গোলকিপরশিংদি মার্টিন কম্পানা, ফর্ণান্দো মুসলেরা অমসুং মার্টিন সিলভানি। দিফেন্দরদা মার্টিন কেসরেস, সেবাষ্টিয়ান কোচস, জোজ মারিয়া গিমেনেজ, দিগো গোদিন, মেক্সিনিয়ালোনো পেরেরা, গেষ্টোন সিলভা অমসুং জিয়ুলরমো ভরেলা খল্লে। মিদ ফিল্ডরদা জিওর্জিয়ান টি অরাসকেটা, রোদ্রিগো বেন্টানকর, দিগো লাক্সাল, নাহিটান নন্দেজ, ক্রিষ্টিয়ান রোদ্রিক, কার্লোস সঞ্চেজ, লুকাস টোরিয়া, মাটিয়াজ বেসিনো অমসুং জোনাথন য়ুরেটাবিসকায়া খল্লে। ফোরৱার্দতনা এদিনসন কবানি, মেক্সিমিলিয়ানো গোমেজ, লুই সুৱারেজ অমসুং খৃষ্টিয়ান ষ্টুৱানি খল্লে হায়রি।

গ্রুপ বিদা শরুক য়াগদৌরিবা ইরানগী গোলকিপর ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি অলি রেজা বেরানভান, রসিট মজাহেরি অমসুং অমির অবেদজাদেনি। দিফেন্দরদা মাজিৎ খোসেনি, রামিন রেজিয়ান, মহম্মদ রেজা খানজাদে, মোর্টেজা পোরালিগাঞ্জি, পেজমান মোন্তাজে, মিলাদ মহম্মদি, রুজিবে চেসমি অমসুং এহাসান হজসফিনি।

মিদফিল্ডর ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংদি সাইদ ইজাটোলাহি, মাসোদ সোজাই, মেহদি টোরাবি, ওমিদ ইব্রাহিমি অমসুং করিম অন্সারিফার্দনি। ফোরৱার্দতা অলি রেজা জহানবক্স, মহাদি টারেমি, সর্দার অজমোন, রেজা গুচানেজাদ, সমাং ঘোদোস, অস্কান দেজাগা অমসুং ৱাহিদ অমিরহিনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭২


১। ওলেম্পিক্কী হোকিগী মেচ অমদা অম্পায়রগী ৱারেপ য়ানীংদবদগী টিম অমদি হোকি ষ্টিকশিং (মখোয়না পায়রিবা) অদু শান্নফম মনুংদা লৈমায়দা থাদদুনা থনম্লগা মপান থোকখি। মখোয় ফিল্ড (শান্নফম মনুং) দা অমুক হল্লকখিদে। মতম হৌখিদুনা মেচ অদু লোইশিনখি। মপান থোকখিবা টিম অদুগী মমিং হায়ু?

২। অরথর ব্রোউলো শগোল কাংজৈগা মরী লৈনবা নুপানি। মুক্লাগী নিঙ্গোং হায়বা টেক্লিক অসিগা করম্বা লাইগা মরী লৈনবগে?

৩। মহাক অফ্রিকাদা লৈরিবা উচেকশিংগী মরমদা চহী ৪০ হেন্না থিজিন খোৎচিন্দুনা মহাদেশ অসিগী উচেক্কী মরমদা লাইরিক ভোল্যুম ৬ ইখি। কুমজা ১৯২৪গী পেরিস ওলেম্পিক্তা মহাক শুটিংগী থৌরমদা মেদল অহুম ফংখি। মহাক্না চহী ৬০শুবা মতমদসু কুমজা ১৯৫২দা পাঙথোকখিবা হেলশিনকি ওলেম্পিক্তা শরুক য়াখি। মহাক্কী মমিং হায়ু?

৪। কুমজা ১৯৭০দা অসামগী বোরপেটাদা পাঙথোকখিবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু তোঙানবা টিম অমা ওইনা শরুক য়াখিবদা গুৱাহাটিবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। টিম অদুগী কেপ্তেন ওইখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়ু?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৮ হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা মীতৈ নোংশা লানলোং থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন, মাল্লুং ব্রাঞ্চনা শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা মাল্লুং বজার কম্যুনিতি হোলদা ঙসিদগী জুন ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৮ হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট ১০গী নুপী ৬৭ অমসুং নুপা ১১৪ পূন্না শান্নরোয় ১৮১না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ মণিপুর অমসুং ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এস রাজেননা চীফ গেষ্ট, ৱর্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রেমকুমারনা প্রসিদেন্ট, মীতৈ নোংশা লানলোং থাঙ-তা এন্দ কলচরেল এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দা, মাল্লুং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান লুক্রাম লৈমহল অমসুং মাল্লুং পার্ট ৱান জি পিগী ৱার্দ মেম্বর থোকচোম শান্তিনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

১২শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা কম্পিটিসন ২০১৮গী সব জুনিয়র বোইজকী ফুনবা ১ ইভেন্টকী কেজি ২১ মখাগী কেটাগোরিদা ঐচ এল টি এ শিংজমৈগী পি ঐচ ওক্সফোর্দ শর্ম্মনা গোল্ড, মাল্লুংগী ৱাই য়িকিনা শিলভর অমসুং পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী দনজিৎ ৱাংখেম্না ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ২৫ মখাগী কেটাগোরিদা অঞ্জিকা সঙাইপ্রৌগী টি ঐচ দেনিএলনা গোল্ড, পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী এস জষ্টিন লুৱাংবনা শিলভর অমসুং মাল্লুংগী এ বিয়াসনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ২৯ মখাগী কেটাগোরিদা পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী এস মালেমঙানবা মীতৈনা গোল্ড, মাল্লুংগী এ বিসালনা শিলভর অমসুং কে ৱাই টি টি এল লাঙ্গোলগী জি সিবেষ্টিয়ন শর্ম্মনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৩৩ মখাগী কেটাগোরিদা মাল্লুংগী রিদেসনা গোল্ড অমসুং কে ৱাই টি টি এল লাঙ্গোলগী এস লৈশেম্বা মীতৈনা শিলভর লৌখি। কেজি ৩৭ মখাগী কেটাগোরিদা মাল্লুংগী এন জি বোলেন্না গোল্ড, মাল্লুংগী এস দিনেসনা শিলভর অমসুং অঞ্জিকা সঙাইপ্রৌগী এস রবিনাসনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

ঙসিগী অরোইবা ফুনবা ১ ইভেন্টকী কেজি ৪৫ মখাগী কেটাগোরিদা পহুলাসি ময়ায় কোয়বীগী কে এস ঐচ লনমঙাংনা গোল্ড, মাল্লুংগী সী ঐচ রিসিকান্তনা শিলভর অমসুং মাল্লুংগী ঙাস্থোইবনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

# ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারী : দিগো মরাদোনানা কুমজা ১৯৮৬তা চনখিবা *হেন্দ ওফ গোদ*কী গোল ঙসি ফাওবা মীয়াম্না নীংশিংনরি



ব্যুনস এরিস, জুন ০৮ (এজেন্সী) ঃ ফিফা ৱর্ল্ড কপকী পুৱারীদা অর্জেন্টিনাগী দিগো মরাদোনানা কুমজা ১৯৮৬তা খ্বাইদগী নীংশিংনীংঙাই ওইবা মওংদা চনখিবা গোল অমা ঙসি ফাওবা মীয়াম্না কাউনদ্রি। মখূৎনা চনখিবা গোল অদু হৌজিকসু *হেন্দ ওফ গোদ* হায়না খঙনরি।

মেক্সিকোদা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ অদুদা অর্জেন্টিনাগী টিমদা শান্নরোয় ১১ শরুক য়াখিবা তারবসু মরাদোনাগী হৈথোই শিংথোইবা কয়া উৎথোকখিবা মরম্না শুপ্নগী মীওই অমখক্তনা শান্নবগা চপ মান্ননা উহনখি। ইংলেন্দগা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মহাক্না খ্বাইদগী য়েৎননীংঙাই ওইবা মওংদা গোল অমা চনখি। শুপ্নগী ফুট ৫গা ইঞ্চি ৫ খক ৱাংবা শান্নরোয় অসিনা ফুট ৬ হেন্না ৱাংবা শান্নরোয় কয়া নমথরম্লগা ৱর্ল্ড কপ অদুদা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়গী মনা ফংবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৮২দা স্পেন্না য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা ফজনা শান্নবা ঙমখিদ্রবসু ওল্লকপা ৱর্ল্ড কপ্তুদি মরাদোনানা মালেমদা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়নি হায়বা ময়েক শেংনা উৎপা ঙমখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদা পেলেনা মালেমদা খ্বাইদগী ফাওবা শান্নরোয়নি হায়না লৌনবা তারবসু কুমজা ১৯৮৬কী ৱর্ল্ড কপ্তা মরাদোনানা শান্নখিবা মওং মতৌ অদু উহৌবা মীওইশিংনা ঙসি ফাওবা ৱারীনরি।

অজটেকা ষ্টেদিয়মদা ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেচ অমদা মরাদোনানা ৱর্ল্ড কপ অদুগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। টেলিভিজন্দা রি-প্লে উৎলকখিবা মতমদা মরাদোনানা ওই থংবা মখূৎনা গোল চনখিবনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। অদুবু গোল চনখিবা মতমদা রেফ্রি য়াওনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা খঙহৌদবা মরম্না গোল পীখি।

মেচ অদু অর্জেন্টিনানা ২-১দা মায় পাকখিবগা লোয়ননা মথংগী রাউন্দদা বেলজিয়মগা থেংনখি। ফাইনেল মেচতা ৱেষ্ট জর্মনিগা শান্নখিবদা মরাদোনানা মশাগী লৈজবা পাঙ্গল থৌনা পূম্নমক পুথোক্তুনা মেচ অদু মায় পাকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৬কী ৱর্ল্ড কপ অর্জেন্টিনানা লৌবা ঙমখি।

ৱর্ল্ড কপ অদুদা মরাদোনানা উৎখিবা হৈথোই শিংথোইবা পূম্নমক য়েংলুরগা হৌজিক ফাওবদা মহাকপু মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল শান্নরোয়নি হায়না লৌনরি।

চৈরকসিদা, রসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ্তা অর্জেন্টিনাগী মিদফিল্ডর মেন্যুএল লানজিনি য়েৎ থংবা খুকউদা শোকপদগী শান্নবা য়াওবা ঙম্লোইদৌরি। স্পেনগী বার্সেলোনাদা ত্রেনিং তৌরিঙৈদা মহাক্কী য়েৎ থংবা খুকউগী লিগামেন্ট শোকখিবনি হায়রি।

ইংলেন্দগী ৱেষ্টহেম ক্লবতা শান্নরিবা মশাগী চহী ২৫ শুরবা লানজিনিনা হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ্তা গোল কয়ামরুম চনবা য়াই হায়না অর্জেন্টিনাগী কোচ জোর্জ সম্পাওলিনা হন্দক্তা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# রফেল নদাল অমসুং দোমিনিক থিমনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেলদা থেংনরগনি





পেরিস, জুন ০৮ (এজেন্সী) ঃ ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেলদা রফেল নদালনা জুআন মার্টিন দেলপোত্রোবু ৬-৪, ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীরম্লগা মপুন্সিগী ১১রকশুবা ওইনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

স্বিটজরলেন্দগী টেনিস শান্নরোয় অসি ফ্রেঞ্চ ওপনগী ফাইনেলদা অমুক্তা ফাওবা মায়থীবা লৈখিদ্রি। জুন ৯দা পেরিসকী রোলেন্দ গেরোসতা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচতা মহাক্না ওষ্ট্রেলিয়াগী দোমিনিক থিমগা থেংনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সীদতা লৈরিবা দোমিনিক থিমনা সেমী ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৭২ মার্কো সেচিনাটোবু ৭-৫, ৭-৬ (১২-১০), ৬-১দা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল রাউন্দ চঙখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দদা ইটলিগী মার্কো সেচিনাটোনা নোভাক জোকোভিকপু ৭-৫, ৭-৬ (১২-১০), ৬-১দা মায়থীবা পীদুনা অয়েংবা পূম্নমকপু অঙকপা পোকহনখি।

দোমিনিক থিমবু খ্বাইদগী মমিং লৈবা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন অমা ওইরক্কনি হায়না মীওই কয়ানা থাজনখিবনি। চহী অসিগী ওইনা ক্লে কোর্টতা শান্নবা এ টি পি টুর্নামেন্টশিংদা মহাক্না মেচ খ্বাইদগী য়াম্না মায় পাকপা ঙমখি। রোম অমদি মেদ্রিদনচিংবা মফম কয়াদা মায় পাকপা ঙম্লকখ্রবা মতুংদা দোমিনিক থিমনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ওইরিবা নদালগা ফাইনেল রাউন্দদা থেংনরগনি। সেমী ফাইনেল মেচতা থিমনা খুদোংচাবা তাঞ্জা হেক ফংবগা সেচিনাটোবু মায়থীবা পীদুনা অহানবা সেটতা ৪-৩দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। ৬-৫দা মাঙজিল থারবা মতুংদা মহাক্না সেচিনাটোবু অমুক্কা হন্না মায়থীবা পীদুনা অহানবা সেট অদু ৭-৫দা মায় পাকপা ঙমখি।

থিমনা সেট পোইন্ট ৪ ফংখিবা তারবসু খুদোংচাবা তাঞ্জা নাম্থোকখিবা মরম্না অহানবদা মায় পাকপা ঙমখিদে। মতুং তারকপদা মহাক্না ব্রেক পোইন্ট অনী কনবা ঙমদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখি। থোমাস মষ্টরগী হেক মথংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোয় অমনা গ্রান্দ স্লামগী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা মহাক্না অনীরকশুবনি।

অমরোমদা, সেচিনাটোবু মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা মমিং পান্নবা তৌদ্রবসু ফ্রেঞ্চ ওপনগী সেমী ফাইনেল রাউন্দ চঙলক্তুনা অয়েংবা পূম্নমকপু অঙকপা পোকহনখি। ইটালিয়ন টেনিস ফেদরেসন্না মেচ ফিক্সিংগী মরাল শিরদুনা থা ১৮ অথিংবা থমখিবদগী সেচিনাটোনা মরুওইবা টুর্নামেন্ট অয়াম্বা শরুক য়াবা ফংদনা লাকখিবনি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা মহাক্না ১২রক গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন ওইরকখ্রবা নোভাক জোকোভিকপু ইরায় লায়না মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা মহাক্না মার্কো ত্রঙ্গেলিটিবু সেট ৫দা মায়থীবা পীখি। মথংগী রাউন্দদা মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সীদতা লৈরিবা শান্নরোয় পেব্লো কারেনো বষ্টা অমদি ৮শুবা সীদতা লৈরিবা দেভিদ গোফিনবু মথং মথং মায়থীবা পীখি। অদুম ওইনমক রোলেন্দ গেরেসতা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচতা মহাক্না রফেল নদালগা লম্বা পাবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লগদৌরি।

# ব্রাজিলগী মীওই ৬০,০০০ ৱর্ল্ড কপ য়েংবা চৎকদৌরি

রিও দি জানৈরো, জুন ০৮ (এজেন্সী) ঃ রসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮দা ব্রাজিলগী টিম শৌগৎলুনবগীদমক লৈবাক অসিগী মীওই ৬০,০০০ ৱর্ল্ড কপ য়েংবা চৎকনি হায়না ব্রাজিলগী ফোরেন মিনিষ্টর অলোইসিও ন্যুন্সনা ফোঙদোকখ্রে।

গ্লোবল টেলিভিজনগা উনখিবা অমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ব্রাজিলিয়ন ৬০,০০০না ৱর্ল্ড কপকী টিকেট ককপা লৈখ্রে। ৱর্ল্ড কপ য়েংবা চৎকদৌরিবা মীওইশিংগী খুদোংচানবগীদমক কজান, সমারা, রোষ্টোভ-ওন-দোন, সোচি অমসুং সেন্ট পিটসবর্গতা টেম্পরেরি কোন্সুলেট ওফিসশিং হাংদোক্কদৌরি।

কোন্সুলেট খুদিংমক্তা রসিয়ন লোল ঙাঙবা মীওই য়াওনা এমপ্লোয়ী ৩/৩ থমগনি। মসিগীসু মথক্তা ব্রাজিলনা ৱর্ল্ড কপ হেক হৌবদগীনা লোইবা ফাওবগী ওইনা লিগেল এদভাইজর অমা নেক্লে হায়রি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, রসিয়াগী লো অমসুং চৎনবী ঙাক্লা চৎহন্নবগী মতাংদা ব্রাজিলগী ফোরেন মিনিষ্ট্রি অমসুং স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা লমায় ১৩৪ পানবা গাইদ লাইন অমা ব্রাজিলিয়নশিংদা য়েন্থোকখ্রে।

রসিয়াদা চৎপা মতমদা খুদোংথীবা মায়োক্লন্দনবগী মতাংদা ওফিসলশিংনা এয়রপোর্ট অমদি ব্রাজিলদা লৈবা রসিয়াগী কোন্সুলেটশিংদসু হায়রিবা গাইদ লাইনশিং অদু য়েন্থোক্লুবা থৌরাং লৌখৎকনি। মথংগী শগোলশেল নুমিৎতা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮ হৌনবা শেম শাবা লোইখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেচতা য়ূম্বু ওইরিবা রসিয়া অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা রসিয়াগী কোনুং মোস্কোদা থেংনরগনি।

# রসিদ খান্না আই সী সীগী রেঙ্কিংদা মকোক থংনা লৈরি



ন্যু দেল্লি, জুন ০৮ (এজেন্সী) ঃ আই সী সীনা থাদোরকখিবা টি-২০গী রেঙ্কিংদা আফঘানিষ্টানগী লেগ স্পিনর রসিদ খান্না মকোক ইথং থংনা লৈরে। হন্দক্তা বাংলাদেশকা শান্নখিবা টি-২০ সেরিজদা শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা শান্নদুনা মেচ ৩দা ৱিকেট ৮ লৌখিবগীদমক রসিদ খান্না খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয় ওইবা ঙমখিবনি।

বাংলাদেশকা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা মহাক্না পোইন্ট ৮১৬ ফংবা ঙমখি। পাকিষ্টানগী ক্রিকেটর সদাব খান্না অনীশুবদা লৈরি। মেচ অহুমদা ৱিকেট ৮ লৌবা ঙমখিবা আফঘানিষ্টানগী মহম্মদ নাবিদি ৮শুবা মফমদগী কাখৎপা ঙমদ্রে।

# শ্রী লঙ্কাদা শান্নবা চৎকদবা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ ক্রিকেট টিম খনখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুন ০৮ (এজেন্সী) ঃ

বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) না শ্রী লঙ্কাগী টুরদা শরুক য়াগদবা অন্দর-১৯গী টিম খনখ্রে।

মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোয় সচিন টেন্দুলকরগী মচানুপা অর্জুন টেন্দুলকরসু অন্দর-১৯গী টিম খনবদা য়াওরে। টিম অসি ৱিকেট কিপর-বেটসমেন অনুজ রাৱটনা লুচিংগনি। ৱান দে ইন্টরনেসনল (ও দি আই) গী ওইনদি অরিয়ান জুয়ালনা কেপ্তেন ওইগনি হায়রি।

নুমিৎ মরিনিগী ওইবা মেচশিংদা জুয়ালনা ভাইস কেপ্তেন ওইনা শরুক য়াগদৌরি। শ্রী লঙ্কাগী টুরদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ ক্রিকেট টিমদা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি অর্জুন টেন্দুলকর, অনু রাৱট (ৱিকেট কিপর-কেপ্তেন), অথরব পাইদে, দেবদত্ত পরিকাল, অরিয়ান য়ুজা (ভাইস কেপ্তেন), য়াস রাথোর, সিদার্থ দেসাই, হর্স টিয়াগী, নেহাল ৱাধেরা, অকাস পান্দে, মোহিট জঙ্গরা, পৱন শাহ, অয়ুস বাদোনি, সমির চৌধরি অমসুং ৱাই দি মঙৱানিনি।

মুম্বাই ক্রিকেট এসোসিএসনগী অর্জুন টেন্দুলকর লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা ক্রিকেট শান্নরোয় সচিন টেন্দুলকরগী মচানুপানি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কুচ বিহার ত্রোফিদা মহাক্না মুম্বাই অন্দর-১৯ টিমগী ওইনা ৱিকেট ১৮ লৌবা ঙমখিবনি।

কেপ্তেন ওইনা খল্লবা দিল্লি দিষ্ট্রিক্ট ক্রিকেট এসোসিএসন (দি দি সী এ) গী অনুস রাৱটনা মমাঙদা ফর্ষ্ট ক্লাস মেচ অহুম শরুক য়াখিবদা রন ১৭৮ লৌবা ঙমখি।

ভি সী এগী অথরব টাইদেসু কুচ বিহার ত্রোফিদা মধ্য প্রদেশকা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা রন ৩২০ লৌবা ঙমখিবনি। য়ুবরাজ সিংহগী হেক মথংদা ত্রিপল সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বা শান্নরোয় মহাক্না অনীশুবনি।

কর্ণাটকা ষ্টেট ক্রিকেট এসোসিএসনগী দেবদত্ত পরিকাল রাইট আর্ম ওফ স্পিনরনি। মহাক্না বেলারিগী মায়কৈদা য়াওদুনা মেচ মঙা শান্নখিবদা ৱিকেট অমত্তা লৌখিদ্রবসু বেঙ্গালুরুগা শান্নখিবা মেচ অমদা রন ৭২ লৌবা ঙমখি।

ভাইস কেপ্তেন ওইনা খল্লবা উত্তর প্রদেশ ক্রিকেট এসোসিএসনগী অর্য়ান য়ুজানা ইন্নিংস অনী শান্নবদা হাফ সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী অন্দর-১৯ ৱর্ল্ড কপ টিমদা য়াওখিবা শান্নরোয় অসি সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা রন ৮৬ লৌবা ঙমখ্রবনি।

ভি সী এগী য়াস রাথোরসু বিদরভাগী অন্দর-১৯ টিমদা য়াওদুনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কুচ বিহার ত্রোফিদা রন ৯৪৫ লৌবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অদুদা মহাক্না সেঞ্চুরি ৫ অমসুং হাফ সেঞ্চুরি ২ লৌদুনা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙম্বা বেটসমেন ওইখি।

জি সী এগী সিদার্থ দেসাই ওল রাউন্দরনি। গুজরাটকী ক্রিকেটর অসি ফর্ষ্ট ক্লাস মেচ ৫দা শরুক য়াদুনা ইন্নিংস ১০দা ৱিকেট ২৯ লৌবা ঙমখি। দি দি সী এগী হর্স টিয়াগীসু মমাঙ চহীদা ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেচ অমদা ৱিকেট ৫ লৌদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমখি।